DOIs:10.2018/SS/202602010 --:-- Research Paper / Article / Review

# সাহিত্যগী নৈন কাঙলোন অমা ওইনা নেরেটোলোজি অমসুং মসিগী খোঙচৌ

**Dr. Y Urmila Leima,**
Independent Researcher, Silchar, Assam
Email - yurmilaleima@gmail.com

***এবস্ট্রেক্ট:*** *নেরেটোলোজি সাহিত্য নৈনবগী মায়কৈদা অনৌবা কাঙলোন অমনি। ২০শুবা চহীচাগী তংখাই অমসুং মসিগী মতুংদা তপ্পা-তপ্পা চাওখৎলকখিবা সাহিত্য নৈনবগী ইজম অসিনা সাহিত্য নৈনরোলদা অনৌবা মায়যোন অমা পীনবা হোৎনরকলি। হীরম অসিদা হান্না লৈরম্বা ৱারী অমা নৈনবগী মওং-মতৌ পুমহোং-হোংদুনা ৱারী অদুগী স্ট্রকচর নৈনবদা হেন্না মীৎযেং চঙশিল্লী। ৱারী লীবগী মওং, মফম, মতম, অইবনা পীনিংলবা পাউজেল অমসুং অপাবা-অতাবশিংনা মতৌ করম্না ৱারী অদুবু লৌশিল্লিবগে হায়বা পুন্নমক নৈনৈ। নৈনচে অসিদা নেরেটোলোজিনা মতৌ করম্না হৌরকপা, চাওখৎলকপা, কাঙলোন অসিগী মশক নাইবা নৈনরোইশিং লোয়ন-লোয়ননা মতমগী মতুং ইন্না মসিগী মশা-মরেং অতোপ্পা হীরমশিংদসু চংশিল্লকপা পুন্নমক নৈনরি।*

***কি-ৱার্দস:*** *নেরেটিব, নেরেটোলোজি, স্ট্রকচর, থিওরি, স্বেতান টোডোরোভ*

### ১. ৱাহৌদোক:

মতমগী মতুংইন্না সাহিত্য নৈনরোলগী খোংচৎতা অনৌ অনৌবা ইজম কয়া থোরকপা ঐখোয়না উবা ফংলকলি। হায়রিবা অনৌবা থিওরি নত্রগা ইজমশিং অসিনা ঐখোয়না হান্না খঙলম্বা অমসুং নৈনদুনা লাকলিবা সাহিত্যবু অনৌবা মহাও অমা পীবতা নত্তনা লাইরিক্কী চেনাশিংদা লোৎতুনা লৈরিবা অইবগী ৱাখল্লোন কয়াসু নৌহৌনা তল্লক্লি। অনৌবা থিওরিশিংগী মনুংদা ইকোক্রিটিসিজম, ট্রেভেল থিওরি, ফেমিনিজম, পোষ্টমোর্দনিজম, সারেলিজম, নিউ হিষ্টোরিসিজম নৎত্রগা কলচরেল পোইটিক্স, রিসেপ্সন এণ্ড রিদর রেস্পোন্স থিওরি, জেন্দর ক্রিটিসিজম, নেটিভিজমনচিংবা পনবা য়াই। মোর্দন লেটেরেরি থিওরিশিং অসিগী মনুংদা স্ট্রকচরেলিজম অমসুং নেরেটিব স্ট্রকচরদগী নেরেটোলোজি নৎত্রগা নেরেটিব থিওরি হায়না খঙনবা অনৌবা সাহিত্যগী থিওরি অমসু থোরকলি। ইটিমোলোজিকেল মীৎয়েংদগী নেরেটোলোজি হায়বা ৱাহৈসি নেরেটিবদগী লাকপনি। মসিগী ৱাহনদি নেরেটিব স্ট্রকচর নৈনবনি। মসি স্ট্রকচরেলিজমগা য়াম্না নকশিন্নে। তশেংবদি নেরেটোলোজি অসি স্ট্রকচরেলিজমদগী থোরকপা সাহিত্য নৈনবগী কাঙলোন অমনি। নেরেটোলোজিবু মশক তাকপদা Merriam Webster's গী *Encyclopaedia of Literature* দা পল্লিবদিঃ

> In literary theory, the study of Narrative structure, like structuralism, from which it derived, the Narratology is based on the idea of a common literary language, or a universal pattern of codes that operates within the text of a work.[১]

স্ট্রকচরেলিজমদগী হৌরকপা ওইরবসু নেরেটোলোজিগী মশাগী শক্তম অমসুং পান্দম লৈজে। ৱারী নৎত্রগা লাইরিক অমগী মনুংদা অইবা অদুগী ৱারী পরীং অমসুং লোন শীজিন্নবগী মওং, ফোংদোকপগী হৈ-শিংবা কয়া য়েংই। অমুকসু নেরেটোলোজিগী মরমদা *Oxford Dictionary of Literary Terms* দা অসুম্না পল্লিঃ

> ... the branch of literary study devoted to the analysis of narratives and more specially of forms of narration and varieties of narration.[২]

study.comদা নেরেটোলোজিবু থিওরি অমা ওইবতা নত্তনা মসি দিসিপ্লিন অমসুং মেথোদ অমসুনি হায়না তাকলি। মখাতানা নেরেটোলোজিগী মতাংদা অসুম্না পল্লিঃ

> Narratology is the academic study of narrative and narrative structures. This includes narratives from literature and also from all narrative containing genres and mediums. The scope of the narratology definition can be summarized as narratology is at the same time a theory, a discipline, and a method. Principles of narratology include narrative coherence, narrative semantics and intentionality.[৩]

হৌজিক হৌজিক লম অসিদা মাংজিল থারিবা নৈনরোয় শুসানা ওনেগা অমসুং জোস এ. জি. লেনদানা *Narratology* লাইরিক্তা নেরেটোলোজিগী মতাংদা অসুম্না ফোংদোক্লিঃ

> Narratology is, etymologically, the science of narrative …the definition of narratology has usually been restricted to structural on more specially structuralist, analysis of narrative.[৪]

অদুগা অমুক মোনিকা ফ্লাদররিক্না মাগী লাইরিক *An Introduction to Narratology* দা ফোংদোকলিবদি নেরেটিব থিওরি নত্রগা নেরেটোলোজি অসি জেনর অমা ওইনা নৈনগদবনি অমসুং থিওরি অসিগী পান্দম ওইনা ৱারী পরিং অমগী মনুংদা মান্নবা অমসুং খেন্নবা মশকশিং, অইবনা চরিত্র মতৌ করম্না শাগৎপগে অমসুং হায়রিবা চরিত্রশিং অসিগা ৱারীগা করম্না মরী লৈনহনবগে হায়বদু য়েংগদবনি। মসিগী মতাংগা অসুম্না পল্লিঃ

> Narrative theory or to use the internationally accepted term narratology is the study of narrative as a genre. Its objective is to describe the constants, variables and combinations typical of narrative and to clarify how these characteristics of narrative texts connect within the framework of theoretical models.[৫]

শুপচিন্না থল্লবদা চরিত্র নত্রগা অইবনা ৱারী লীবগী মওং অমসুং ৱারীগী স্ট্রকচর শগৎলকপগী মওং মতৌ নৈনবা সাহিত্যগী কাঙলোন অমনি। ৱারেং, ড্রামা, উপন্যাস, ফিক্সন্নচিংবশিংদা মশাগী চপচাবা শক্তম, প্লোট, চরিত্র, সেট্টিং, মথং মনাও নাইবা ৱারীপরিং (Sequence of Events) মফম, মতম অমসুং মসিগী স্ট্রকচর নৈনবা সাহিত্যগী কাঙলোনবু নেরেটোলোজি নত্রগা নেরেটিব থিওরি হায়না খঙনৈ। নেরেটোলোজিদা ৱারীশিংগী মনুংদা করি করি মান্নবা অমসুং খেন্নবা লৈবগে হায়বদু য়েংই। জেরাল্ড প্রিন্সকী মতুংইন্নদি নেরেটোলোজি অসি অকক্নবা নোভেল, মসিগী ইতিহাস অমসুং অর্থ, ৱারী নত্রগা নোভেল অদু শাগৎলিবা মওং মতৌগা মরী লৈনদে। মসিদদি ৱারী অদুবু অতোপ্পদগী খেন্নহল্লিবা মচাকশিং মরু ওইনা সিগনিফাইদ অমসুং সিগনিফায়রগী মওং মতৌনা খঙহল্লি। অমুক মখা তানা জেরাল্ড প্রিন্সনা ফোংদোক্লিবদি নেরেটোলোজিদা অকক্নবা ৱারী অমগী নুংগী ওইবা অর্থ অমসুং খুৎফোংদোক্না মরী লৈনদে; মদুগী ওন্ন তৈনবদা ৱারীগী স্ট্রকচর থিজিল্লী। মসিগী মহৈনা নেরেটিব হায়বসি করিনো অমসুং অতোপ্পদগী করম্না খেন্নহল্লিবনো হায়বদু খঙহল্লি।[৬]

## ২. নেরেটোলোজি হৌরকপা অমসুং চাউখৎলকপা

নেরেটোলোজি হৌরকফম থিবদা অখঙ অহৈশিংনা গ্রীক দার্শনিকশিং মরু ওইনা প্লেটো অমসুং এরিষ্টোটলগী লাইরিকশিংদা মসিগী মমি তাবগী ৱাফমশিং তোইনা পল্লি। অদুগা থরা থেংলক্লবা মতম ইউরোপিয়ন সাহিত্যগী ক্লাসিকেল ইরাদসু নেরেসনগী শক্তম উবা ফংই হায়না ফোংদোকলি। ফার্দিনান্দ ডি স্যুসরনা স্ট্রকচরেল লিংগুইস্টিক্স হৌদোক্লমবগা লোয়ননা নেরেটিব থিওরিগী য়ুম্ফম থোনখি হায়বা য়াই। নেরেটোলোজি ৱাহৈ অসিমক্তি বুলগেরিয়ন–ফ্রেন্স হিষ্টোরিয়ন অমসুং ফিলোসোফর জ্বেটান টোডোরোব (Tzvetan Todorov) না মহাক্কী লাইরিক *Grammaire du Décaméron* (1969) দা ইহান হান্না শীজিন্নখি।

> According to Cuddon, the etymology of the narratology is stated as; the term is an Anglicization of the French narratologie, coined in 1969 by the Franco-Bulgarian philosopher Tzvetan Todorov (1939- ) in his Grammaire du Decameron.[৭]

অদুবু স্বেতান টোডোরোবনা ৱাহৈ অসি শীজিন্নদ্রিঙৈ মমাংদা খৃষ্টগী চহী ১৯৬৬ দা ফ্রান্সতা ফ্রেন্স জর্নেল কমিউনিকেসন্সনা "The Structural Analysis of Narrative" হায়বা অথন্নবা ইসু অমা ফোংথি। মসিগী মতুংদা স্বেতান টোডোরোবনা ইকান কান্নদনা ৱারী অমগী স্ট্রকচর নৈনবা নুংঙাইনবগীদমক ৱাহৈ অসি শেমখিবনি। কুনশুবা চহীচাগী অরোইবা শরুক য়ৌরকপদা নেরেটোলোজিগী ঙমখৈ পাকথোক চাওথোরকখি অমসুং হীরম অসিদা নৈনরোয়শিংগী পূক্লিং চিংশীনবা হেনগৎলকখি। সাহিত্যগী নৈনরোয় অমসুং লোনমীৎলোনতা নত্তনা ফিলোসোফর, সাইকোলোজিস্ট, ফোক্লোরিস্ট অমসুং এনথ্রোপোলোজিস্টনচিংবা কয়াসু চংশিল্লক্তুনা হেন্না মপুং ফাহল্লকখি।[৮] মতুংদা মখাতানা নেরেটোলোজিবু সাহিত্যগী নৈন কাঙলোন অমা ওইনা পাকশন্না খঙহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা অইবশিংদি জেরাদ জেনেত্ত, মাইক বেল, জেরাল্দ প্রিন্সনচিংবা পনব য়াই। খৃষ্টগী চহী ১৯৭০ গী মতুংদগী হৌজিক হৌজিক খঙনরিবা নেরেটোলোজিসি মথক্কী অইবশিং অসিনা সাহিত্যগী নৈন কাঙলোন অমা ওইনা শেমগৎলকখি। স্ট্রকচরেল থিওরিনসু নেরেটোলোজি নৈনবগী মতাংদা হেন্না মতেং পাংখি। অনীশুবা লাঞ্জাও মতুংগী সাহিত্য নৈনরোলদা নেরেটোলোজিনা অচৌবা মফম অমা কল্লি। কুনশুবা চহীচাগী তংথাই ৱাইরকপদা ষ্ট্রকচরেলিজম অমসুং লিংগুইস্টিক্সকী মশা অমা ওইনা থোরকখিবা নৈন কাংলোন অসিনা মশক নাইবা মীওই কয়াগী মীৎয়েং চিংশীনখি। চহীচা অসিগী অঙনবা শরুক্তগী মরু হুনথ্রবসু হৌজিক হৌজিক খঙনরিবা অমসুং নৈনরিবা হীরম অসিদি খৃষ্টগী চহী ১৯৬০-৭০ গী মতমদা ব্লাদিমির প্রোপ, ক্লদ লেভি-ষ্ট্রস, এ. জে. গ্রেমাস, জেরেদ জেনেতনচিংবা নৈনরোয়শিংনা হোৎনবদগী হেন্না খোঙজেল য়াংশিল্লকখি। ৱাহৈ অসিমক স্বেতান টোডোরোবনা পুথোক্লল্লবসু মসিগী অরেপ্পা শক্তম অমা পুরকখিবদি রুশিয়ান ফোরমেলিষ্টশিং ব্লাদিমির প্রোপ অমসুং মিখাইল বাকটিন্নি হায়বা য়াই। রুশিয়ান ফোরমেলিষ্টশিংনা ফেবুলা (Fabula) অমসুং সুজেট (Syuzhet) তা হেন্না অকনবা মীৎয়েং চংলম্মী অমসুং স্ট্রকচরেলিজমদগী থোরকপা কাঙলোন অমা ওইবনা মসিগী মীৎয়েংদগী ফেবুলা অমসুং সুজেটবু থিমেটিক অমসুং মোডেল অমা ওইনা য়েংনবা হোৎনখি।

নৈনরোয় খরগী মতুংইন্না নেরেটোলোজি অসি মীৎয়েং অনীদগী অর্থ হনবা য়াই মদুদি হেন্না পাকচাউবা (Broader) অমসুং শুপচিনবা (Narrower) মীৎয়েংদগী৷ পাকচাউবা মীৎয়েংদগী নেরেটোলোজিবু খঙনরিবদি মসিগী খোঙহৌ অসি এরিষ্টোটলগী পোয়টিক্সতগী হৌই হায়না লৌনরি। এরিষ্টোটলগী পোয়টিক্সকী মীৎয়েংদগী লৌরবদি মরুওইনা প্লোট মতিকচানা য়াওবা হায়বদি এপিক পোইট্রি, ত্রেজেদি, কমেদিনচিংবা পূন্নমক কোনশিনবা য়াই অমসুং খরা পীকশনবা অমদি শুপচিনবা মীৎয়েংদগী লৌরবদি ৱারী অমসুং ৱারী লীরিবা মীওই (Narrator) অদুবু মপুঙ ওইনা খঙনবা য়াই। নেরেটোলোজিবু স্বেতান টোডোরোবনা মহাক্কী লাইরিক *Grammaire du Décaméron* (১৯৬৯) দা ইহান হান্না শীজিন্নরল্লবসু অনৌবা মতমগী নেরেটোলোজিগী য়ুম্ফমদি ব্লাদিমির প্রোপনা মহাকী লাইরিক *Morphology of the Folktales* (১৯২৮) দা থোল্লল্লবলি৷ মখাতানা ক্লদ লেভি-ষ্ট্রসনা মহাক্কী লাইরিক *Structural Anthropology* (১৯৫৮) দা মিথোলোজিকেল গ্রামারগী মরমদা, এ. জে. গ্রেমাসনা *Structural Semantics* (১৯৬৬) তা 'Actants' হায়না মিংথোনবা মখল তরুকী ষ্ট্রকচরেল ইউনিত তরুক (৬) হৌদোকলম্বশিং অসিনা নেরেটোলোজিবু সাহিত্য নৈনবগী হীরম অমা ওইনা হেন্না মপুং ফাহল্লকখি৷ মতাং অসিদা পনবা য়াবদি স্বেতান টোডোরোবনা 'The Two Principles of Narrative' (১৯৭১) হায়বা ৱারেংদা নেরেটিব নৈনবগীদমক থিওরি অমা পুথোকখি৷ ৱারেং অসিগী মতুংইন্না নেরেটিব খুদিংমক্তা মখল মঙাগী (৫)গী মচল য়াওই হায়না ফোংদোকলম্মী৷ মসিবু Todorov's Narrative theory of Equilibrium হায়না থংনৈ । টোডোরোভকী থিওরি অসিবু লাইয়েক ওইনা মখাদা থল্লি।

**Shikshan Sanshodhan** : Journal of Arts, Humanities and Social Sciences
Monthly, Peer-Reviewed, Refereed, Indexed Journal
Volume - 9, Issue - 2, February - 2026
ISSN(o): 2581-6241
Impact Factor: 9.134





Fig. 1 Todorov's Narrative Theory of Equilibrium.

স্বেতান টোডোরোভকী নেরেটিব থিওরি অসিদা পল্লিবা নেরেটিব অমগী মনুংদা নৈনগদৌরিবা তাংককশিংবু শন্দোক্লা তাকপা ওইনা মথাগী অসুম্না থম্বা য়াই।

১) ইক্কুইলিব্রিয়ম : ৱারী অমা হৌরকপা
(The story begins with a stable situation)

২) দিসরাপসন : ৱারীদা অয়েৎপা পীরকপা/মুক্কবা হৌরকপা
(A force disturbs the routine, resulting in imbalance)

৩) রিকোগনিসন : ৱারীগী চরিত্রনা অয়েৎপা/অথিংবা অদুবু মশক খঙলকপা
(The character recognize the disruption)

৪) রিজোলুসন : চরিত্রনা ৱারীগী সোলুসন পুরক্কবা হোৎনবা
(The characters attempt to repair the disruption)

৫) নিউ ইক্কুইলিব্রিয়ম : ৱারীগী চয়েৎনবা লোয়দুনা তপ্পা চৎথবা
(The problem is resolved and normally resumes)

স্বেতান টোডোরোভগী থিওরী অসিগী অৱাৎপা অমসুং মতমগী মতুং ইন্না নৈনরোয়শিংগী মনুংদা মোত থেন্নবা থরা লৈরবসু হৌজিকসু পাকশন্না য়ানরি। মহাক্লা পীরম্বা থিওরি অসিনা শেহৌ ওইরগা মতুংদা লাকপা নেরেটোলোজিস্টশিংনা ৱারীগী স্ট্রকচর অমসুং নেরেটিব স্টাইল হায়বদি নেরেটরনা ৱারী লীবগী মওং নৈনবদা হেন্না থুমাং চাউশিল্লকখি।

নেরেটোলোজিবু ফার্দিনান্দ ডি স্যুসরগী স্ট্রকচরেল লিংগুইস্টিক্সকী মীৎয়েংদগী ম্যালফ্রেড জোন্না (Malfred Jahn) মখল অনি থোক্লা থায়দোকলি।[৯] মখলশিং অদুদি ১) ডিসকোর্স নেরেটোলোজি ২) স্টোরি নেরেটোলোজি৷ মসি মরু ওইনা ফার্দিনান্দ ডি সসুরগী সিগনিফাইদ অমসুং সিগনিফায়রদা মীৎয়েং থম্লগা শাগৎপনি। ডিসকোর্স নেরেটোলোজিদা নেরেটিব টেক্স অমগী মওং নত্রগা মপুং ফারকপগী মশক অদু নৈনৈ। অদুগা স্টোরি নেরেটোলোজিদনা ৱারী অমগী মনুংদা প্লোট, পান্দম অমসুং থৌদোক পরিং শাগৎপনচিংবা য়েংই।[১০]

## ৩. ক্লাসিকেল অমসুং পোষ্ট ক্লাসিকেল নেরেটোলোজি

সাহিত্যগী নৈন কাংলোন অমা ওইনা নেরেটোলোজি হৌরকপা অমসুং চাউখৎলকলিবা মওং য়েংলগা অখং অহৈশিংনা শরুক অনি থোক্লা থায়দোকলি। মদুদি ১) ক্লাসিকেল নেরেটোলোজি অমসুং ২) পোষ্ট-ক্লাসিকেল নেরেটোলোজি৷ নেরেটোলোজি হৌরকপগী অঙনবা শরুক হায়বদি খৃষ্টগী চহী ১৯৬০-১৯৮০ গী মতমদা হীরম অসিদা নৈনবশিংনা মালেমগী থাক্তা পূন্নমক্লা য়ানগদবা চপ চাবা মশক তাকপা অমসুং ৱাহন পীবদা পুক্লিং চংখি।

**Shikshan Sanshodhan : Journal of Arts, Humanities and Social Sciences** ISSN(o): 2581-6241
Monthly, Peer-Reviewed, Refereed, Indexed Journal Impact Factor: 9.134
Volume - 9, Issue - 2, February - 2026

মসিবু ক্লাসিকেল নেরেটোলোজি হায়না খঙনৈ। থৌওং অসি খরা থেংলকলবা মতম ফাওবা চত্থরকখি হায়না এস. এল রাইন অমসুং ই. ভি. এলফেন্না ফোংদোকলি।[১১] মতম অসি ফাওবদা নেরেটোলোজিবু থিওরি, মেথোট অমসুং দিসসিপ্লিন হায়না মানা মানা অপাম্বা মওংদা শীজিন্নবা হৌরকখি। অদুম ওইনমক মাইকেল শেফেল (Michael Scheffel) গী মীৎয়েংদা দিসসিপ্লিন্না মমাংগী টর্ম অনী হায়বদি থিওরি অমসুং মেথোট অনীমক য়াওবনা হেন্না চূনবা হেল্লী হায়না ফোংদোক্লম্মী।[১২] মরমদি দিসসিপ্লিন হায়বা অসিনা নেরেটিব অমসুং নেরেটোলোজিগী থিওরিটিকেল অমসুং প্রেক্তিকেল এপ্রোস অনীমক কোনশিল্লী হায়না পল্লি। পোষ্ট-ক্লাসিকেল নেরেটোলোজিগী মতাং য়ৌরকপদা হীরম অসি হেন্না পাকথোক চাওথোরকপা অমসুং ইন্টর দিসসিপ্লিনারি এপ্রোস অমা ওইনা শকখঙলকখি। তাংকক অসিবু রিম্মন-কেনন্না অসুম্না ফোংদোকলি। মদুদিঃ

> the transition to post-classical narratology is a shift from a fairly unified discipline to one characterized by a diversity of approaches.[১৩]

খুদম ওইনা ফেমিনিষ্ট নেরেটোলোজি, কোক্নিটীব নেরেটোলোজি, পোষ্ট-মোর্দন নেরেটোলোজিনচিংবা হীরমশিং চংশিল্লক্তুনা নেরেটোলোজিবু হেন্না মপুং ফাহল্লকখিবা মতাংবু থংনরি।

**৪. নেরেটোলোজিগী কোম্পোনেন্ট**

নেরেটোলোজিদা ৱারীগী স্ট্রকচর নৈনবা অমসুং ৱারী পরিংগী মনুংদা করি করি য়াওরিবগে হায়বদু য়েংবা য়াম্না মরু ওই। মসিগীদমক ৱারী পরিংগী মনুংদা য়াম্না তঙাইফদনা মচাক (কম্পোনেন্ট)খরা য়াওরি হায়না ম্যালফ্রেদ জোন্না ফোংদোকলি। মসিবু খঙদোকপা অমসুং মপুং ফানা নৈনরবদি ৱারী পরিংগী স্ট্রকচর লাইনা খঙবা ঙম্মী। ম্যালফ্রেদ জোনগী মোত মতুংইন্না নেরেটোলোজিগী কেটাগোরি অহুম থোক্লা থায়দোকলি।[১৪] অহানবদা নেরেশন হায়বদি ৱারী লীবা, অনীশুবদা ফোকেলাইজেসন হায়বদি পুক্নিংগী ফীভম নত্রগা মুদ অমসুং অহুমশুবদা নেরেটিবকী সিচুএসন হায়বদি ৱারীগী ফীভম, মওং মতৌ অসিনি।

**৫. নেরেসন, ফোকেলাইজেসন (মুদ), অমসুং নেরেটিবকী ফিভম**

নেরেটিবকী শক্লোন অসিবু হেন্না ময়েক শেংনা তাকনবা হোৎনবদা অইবগী পর্সোনেলিটি অসিসু য়াম্না মরু ওই৷ অইবশিংনা শীজিন্নরিবা লোন অমসুং ফোংদোকপগী শৈলী তোঙানবনা ৱারেংগী শক্লোনসু তোঙাল্লি। মরমদি অইবা নৎত্রগা নেরেটরগী মখল অনি থোক্লা থায়দোক্লি৷ ১) ওভর্ট নেরেটর অমসুং ২) কোভর্ট নেরেটর। ওভর্ট নেরেটর হায়বসি অপাবা অতাবশিংদা ঐনা অমসুং ঐখোয়নচিংবা শীজিন্নদুনা মশামকপু রেফেরেন্স তৌবা, হকথেংননা নত্রগা নাকোয়ননা ৱারী শাবা, মখৌ তারকপা মতমদা অপাবশিংদা নুংঙাইবা ফোংদোকপা, অচম্বা ৱাহৈ অমসুং চম্না ৱারী লীবা মওংনি৷ মসিগী ওন্না তৈনবদা কোভর্ট নেরেটরনা ৱারীগী থৌদোকশিংবু চেন্থরকলিবা ৱারীগী মওংদা লীবা অমসুং ফোংদোকপনি। মতাং অসিদা ম্যালফ্রেদ জোন্না পনবা ৱাফম অমা লৌখৎপা য়াই। মদুদিঃ

> one who has a more or less neutral (nondistinctive) voice and style, one who is sexually indeterminate, …, one who does not intrude or interfere, one who lets the story events unfold in their natural sequence and tempo.[১৫]

অনীশুবা সবকম্পোনেন্ট অসি ফোকেলাইজেসন নৎত্রগা মুদনি৷ মসিদসু শরুক অনি থোক্লা থায়দোক্তুনা নৈনরি। মদুদি- মপানগী ফোকেলাইজেশন অমসুং মনুংগী ফোকেলাইজেসন। মপানগী ফোকেলাইজেসন হায়বসিনা ৱারী অমনা পীনিংলিবা নত্রগা তক্লিংলিবা পাউদম অদু ইচম চম্না লিবা অদুবু থংনৈ৷ অদুগা মনুংগী ফোকেলাইজেসন হায়বসিনা নেরেটিবকী থৌদোকশিংবু কেরেক্টর অমগী মীৎয়েংদগী ফোংদোকপনি। অমুকসু ফোকেলাইজেশনবু মখল মরি থোক্লা ম্যালফ্রেদ জোন্না মখা তানা থায়দোকলম্মী। মদুদি ১) ফিক্স ফোকেলাইজেশন ২) ভেরিএবল ফোকেলাইজেশন ৩) মল্টিপল ফোকেলাইজেশন ৪) কলেক্টিব ফোকেলাইজেশন৷ ফিক্স ফোকেলাইজেশনদা ফোকেলাইজর অমখক্তগী লেপ্পা লৈতবা মীৎয়েংদগী ৱারী শানবা ৱাফমশিং অমসুং থৌদোকশিং ফোংদোকপা; ভেরিএবল ফোকেলাইজেশন হায়বদি

ফোকোলাইজর কয়াগী মীৎয়েংদগী উবা ফংলিবা ৱারীগী তোঙান তোঙানবা এপিসোদশিংগী প্রেজেন্টেসন; মল্টিপল ফোকেলাইজেসন হায়বসিনা ৱারী পরিং অমা হঞ্জিন হঞ্জিন লীবা নত্রগা উৎলবসু মতম খুদিং তোঙানবা মওংদা উবা অমসুং অরোয়বদা কলেক্টিব ফোকেলাইজেসন হায়বদি প্লুরেল নেরেটরশিং নৎত্রগা করেক্টর কাংলুপ অমগী মতাংদা নৈনবনি।

অহুমশুবা সবকম্পোনেন্ট ওইনা নেরেটিব সিচুয়েসনদা নেরেটিরকী ফিভম ময়েকশেংনা তাকপদা ম্যলফ্রেদ জোন্না মহাক্কী থন্না নৈনবগী য়ুম্ফম ওইনা ফ্রাঞ্জ কার্ল স্ট্যানজেল (Franz Karl Stanzel)গী মোডেল অসি পল্লি। স্টেনজেলনা নেরেটিবকী ফিভমশিংগী মতাংদা কমপ্লেক্স ফ্রেমৱারক অমা লৈ মদুনা নেরেটিব ফিচরশিংগী মশক থোকপা মওং থরা পীনবা পান্দম থমলি। মসিদা রিলেসনসিপ, দিসটেন্স, মপুং ফানা লৌশিং জ্ঞান লৈবা, রিলাইএবিলিটি, থোঞ্জেল অমসুং ফোকেলাইজেসনগী ফিচরশিং য়াওরি। ম্যালফ্রেদ জোনগী মোত মতুং ইন্না জেন্নেট্ট অমসুং স্ট্যানজেল অনীমক্না নেরেটিব সিচুয়েসন হায়বা ৱাহে অসি হেন্না লুবা ফিভম ফোংদোকপদা শীজিন্নে। থোঞ্জেলগা মরী লৈনবা নেরেটিবগী ফীভমগী মতাংদা থন্নবদা ফর্স্ট পরসন নেরেটিব (First Person Narrative), ওথোরিয়েল নেরেটিব, (Authorial Narrative) অমসুং ফিগরেল নেরেটিব (Figural Narrative) নচিংবা কয়াসু মখাতানা নৈনবগী মশকশিং থোরকলি।[১৬] অসিদা নত্তনা We-Narrative, You-Narrative, Simultaneous narration অমসুং Camera-Eye নেরেসন্নচিংবা নেরেটিবকী মনুংদা মখাতাবা ৱাখল্লোনশিং লৈরী।[১৭]

## ৬. নেরেটিবকী জেনরশিং

নেরেটিব হায়বসিগী ৱাখল মীৎয়েং য়াম্না পাক চাওই৷ শুপ্পগী ৱারেং নত্রগা উপন্যাস অমা নৈনবনা মসিগী চপ চাবা মশক তাকপা ঙমদে। নেরেটিবকী মনুংদা মিথ, লেজেণ্ড, ফেবল, এপিক, ইতিহাস, ত্রেজেদি, ৱারীমচা, দ্রামা, কমেদি, ফিল্ম, লাইয়েকপনাচিংবা কোনশিনবা য়াই। মালেমসিদা লৈরিবা মীওই কাংলূপ খুদিংগী য়েলহৌঙৈদগী মশা মশাগী ওইবা ৱারী তোঙান তোঙনবা শক্লোনদা লৈরকই। হায়রিবা ৱারীশিং অসি অইবশিংনা মশাগী ওইবা ৱাখল মীৎয়েং হাপ্পূনা পুথোরকপা কয়া য়াওরি। শন্না হায়রবদা নেরেটিব অসি কাঙলুপ খুদিংগী মওং অমা নৎত্রগা অমদা অঙনবা মতমদগী লৈরকলবনি। ম্যালফ্রেদ জোন্না নেরেটোলোজিগী জেনরবু হেন্না ময়েক শেংনা থঙনবগীদমক ডাইগ্রাম ওইনা য়েক্তুনা তাকলি৷ মদুদিঃ





Fig.2 ম্যালফ্রেদ জোনগী নেরেটিব জেনরগী ক্লাসিফিকেসন।

ম্যালফ্রেদ জোনগী নেরেটিব থায়দোকপগী মওং অসিনা হীরম অসিদা হেন্না ময়েক শেংনা থঙহনবা ঙম্মী হায়বা য়াই। নন-নেরেটিব লীরেকেল পোইম, ডেস্ক্রিপটিপ গুম্বা নত্তনা অতৈ অয়াম্বা নেরেটিবকী মনুং চল্লী। নেরেটিব থিওরি

নত্রগা নেরেটোলোজি য়াম্না পাক চাওবা হীরম অমনি। কুনশুবা চহীচাগী তংখাইদগী শাগৎলকখিবা সাহিত্য নৈনবগী কাঙলোন অসিনা সাহিত্যগী অনৌবা শক্লোনশিং পুথোরকলি হায়বা য়াই।

**৭. ৱারোইশিন:** নেরেটোলোজি কুনশুবা চহীচাগী তংখাই অমসুং অরোইবা শরুক্তা হৌরক্লবসু মসিগী চপ-চাবা মশক অমা লেপ্লা হৌরকখিবদি ২০ অমসুং ২১ শুবা চহীচাগী লোন্নবদনি হায়বা য়াই। য়ুরোপ অমদি আমেরিকাদা নৈন কাঙলোন অসি চাওখৎখ্রবসু ভারত অমসুং মণিপুরী সাহিত্যদা অদুক হাক্লা মশক খঙনদ্রি। হৌজিকসু অনৌবা শক্লোন অমা ওইনা লৈরি। মসিনা ৱারী অমা নৈনবদা ময়েক শেংনা খঙহনবা অমসুং ৱারীগী স্ট্রকচর নৈনবদা হেন্না খুদোং চাহল্লি।

## Endnote

[১]Kathleen Kuipen, *Encyclopedia of Literature* (Massachusetts: Merriam Webster Incorporated, uss), p.797.
[২]Chris Baldick, *Oxford Dictionary of Literary Terms*. (Clouden oxford University Press, 2015), p.238.
[৩]https://study.com/academy/lesson/narratology-definition-overview-what-is-narrative-theory.html
[৪]Susana Onego & Jose A.Q.Landa (ed.) *Narratology*. (New York: Routledge Publications, 2014), p.2.
[৫]Monika Fludernik. *Introduction to Narratology*. (London: Taylor and Francis Group, 2009), p.8.
[৬]Gerald Prince. *Narratology: The Form and Functioning of Narrative.* (Berlin: Walter De Gruyter, 1982), p. 5.
[৭]J. A. Cuddon. *A Dictionary of Literary Terms and Literary Theory*. (West Sussex: Walter De Gruyter, 2013), p. 458.
[৮]Gerald Prince. *Narratology: The Form and Functioning of Narrative.* (Berlin: Walter De Gruyter, 1982), p. 4.
[৯]M. Jahn, "Narratology: A Guide to the Theory of Narrative". English Department: University of Cologne. 2005. p. 19. PDF file.
[১০]M. Amerian and L. Jofi. "Key Concepts and Basic Notes on Narratology and Narrative." *Scientific Journal of Preview,* Vol. 4, Issue 10, 2015. p. 182-192, doi: 10.14196/sjr.v4i10.1927. PDF File.
[১১]M.L. Alphen Ryan, E.V. "Narratology". Makaryk, I.R.(ed). *Encyclopedia of Contemporary Literary Theory. Approaches, Scholars, Terms*. (Toronto: University of Toronto, 1993), p 110–116.
[১২]M. Amerian, and L. Jofi. "Key Concepts and Basic Notes on Narratology and Narrative." *Scientific Journal of Preview,* Vol. 4, Issue 10, 2015. p. 182-192, doi: 10.14196/sjr.v4i10.1927. PDF File.
[১৩]Rimmon-Kenan, Sh., *Narrative Fiction: Contemporary Poetics*. 2nd ed. London: Methuen, 1983. p.47.
[১৪]Amerian, M and L. Jofi. "Key Concepts and Basic Notes on Narratology and Narrative." *Scientific Journal of Preview,* Vol. 4, Issue 10, 2015. p. 182-192, doi: 10.14196/sjr.v4i10.1927. PDF File.
[১৫]Amerian, M and L. Jofi. "Key Concepts and Basic Notes on Narratology and Narrative." *Scientific Journal of Preview,* Vol. 4, Issue 10, 2015. p. 185, doi: 10.14196/sjr.v4i10.1927. PDF File.
[১৬]Genette, G. *Narrative discourse: An Essay in Method*. (Ithaca: Cornell University Press, 1980), p.17.
[১৭]Jahn, M., *Narratology: A guide to the theory of narrative*. (English Department: University of Cologne, 2005), p. 31.